## দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৬,৬০০ ফারে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

নার্কোটিক্স এন্দ এফেয়রস ওফ বোর্দর পুলিসনা ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা লোনা য়াদবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৬,৬০০ কা কোন্ননা নুপা অমা সেকমাইগী পাল হোস্টেলদগী ফারে। নাবনা ফারবা নুপা অদুগী মমিং তিনখোচিন হাওকিপ (৫৫), মপুরোইবা লেটখোঙান হাওকিপ কৌই। পল্লেল মুনজাং খুনদা লৈবনি। মহাক নাবনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা মখা তানা ৱাহং পাউহং চথুরি।

## ফেল্লোশিপ পীরক্লে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

ঠিএটর, ফিল্ম আর্টিষ্ট অমা ওইনা শকখঙনরবী চনম লিলাবতিদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা জুনিয়র ফেল্লোশিপ পীদুনা মণিপুরী ঠিএটরগী লমদা থিজিন্নবা খল্লক্লে হায়না মণিপুর ঠিএটর একাদেমীগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মহাক্কী থেসিস অসি চহী ২ চঙনা থিজিনগনি। মহাক হৌজিক মণিপুরী ঠিএটর একাদেমীগী সিনিয়র আর্টিষ্টনি হায়নসু মখা তারি।

## কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ভি পি সী কম্ম্যুনিটি সেন্টরদা ঙসি জিলাই দেবু নীংশিংবগা লোয়ননা জিলাই জেনরেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা হায়খি, লমদম অসিদা পুন্না হিংমিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী মীওইশিং নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা তাই। খুন্নাইগী চাউখৎপা পুরক্লবগীদমক পোজিটিব এটিট্যুদ মরুওই। মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিংনা এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা থবক কয়া পায়খৎকদবনি। লৈঙাক্লা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিংগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা তাই হায়নসু মখা তাখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লবা জিলাইগী মহৈরোয়শিংদা এৱার্দ পীখি। থৌরমদুদা এ দি সী, চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি চেয়রমেন গেনৈখুপ ভাইফৈ, এ দি সী, সী সী পুর পি কমখোলাল বাইফৈ অমদি দি জি পি, এল এম খৌতেনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

## অফবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

পিছ হ্যুমেনিটি এন্দ সোসল দিভলপমেন্ট ক্লব, থরোইজম মমাঙ লৈকায়না শীন্দুনা বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন অমদি ক্লাস টুয়েল্ভ এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ঙরাং ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরমদুদা অৱাং খুনৌ জি পি প্রধান থৌদাম দ্বিজমনি, এদল্ট এদ্যুকেসনগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর পি ঐচ ইবোচৌবা, থরোইজম ৱার্দ নম্বর ৯ গী মেম্বর হাওবম ওংবী বিমোলানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। হায়র সেকেন্দরিগী সাইন্স ষ্ট্রিমগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবী হবার্ট স্কুলগী মহৈরোয়, থরোইজমদগী জস্মিন হৈগ্রুজম য়াওনা মহৈরোয় ২৮ দা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

থৌরমদুদা ৱাঙাঙলোয় ওইখিবশিংনসু মহৈরোয়শিংনা নিংহন্নবা তৌদনা তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমমম ওইননবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

## গোল্ডন জুবিলি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

সেন্টর ওফ ইন্দিয়ন ট্রেদ য়ুনিয়ন লিংখৎখিবা চহী ৫০ শুরকপগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিয়ন পুম্নমক্লা ঙসিদগী হৌরগা কুমজা ২০২০ গী মে ফাওবা গোল্ডন জুবিলিগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না সিতু মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ শান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চহী অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা থৌরমসিগী মনুংদা শিন্মীশিংগী য়াইফগদবা দিমান্দশিং পুখৎতুনা মণিপুর শিনবা থুংনা কেম্পেয়ন তৌগনি। ওর্গনাইজ অমদি অন-ওর্গনাইজ য়ুনিয়নশিংগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

HL-B/5402/30/5-19/6

# ৱর্ল্ড নো টোবেকো দেগী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে
# ফত্তবা হৈনবীনা ইশা মাঙহনবতা নত্তনা খুন্নাইদা অকায়বা পী : জয়ন্তকুমার

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

ফত্তবা হৈনবীনা ইশা মাঙহনবতা নত্তনা খুন্নাইদা অকায়বা পী। হিদাক মনাগী পোৎলম য়াওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরগুমসি হায়না হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি ৱর্ল্ড টোবেকো দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, এন ঐচ এম, মণিপুর অমদি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্ট, মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, ফত্তবা হৈনবী কয়া থাদোক্লবা হোৎনগদবনি। ফত্তবা হৈনবীনা ইশা মাঙজবতা নত্তনা খুন্নাইদা অকায়বা কয়া পীরি। মালেমগী মফম শিনবা থুংনা ৱর্ল্ড টোবেকো দেগী থৌরম পাঙথোক্লরি। হিদাক মনা শীজিন্নদুনা অমদি মৈখু শীজিন্নদুনা লংসকী লায়না থোক্লিবা কয়া অসি ঙাকথোক্লবা হোৎনমিন্নসি।

হিদাক মনাগী পোৎলমশিং য়াওনা ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিং শীজিন্নদুনা পুন্সি মাঙবা য়াবা ফীভমদগী ঙাকথোকসি। চুরূট তঙাইফদনা থক্কে হায়রবসু স্মোকিং জোনদা থকপীয়ু। মীয়ামদা অকায়বা পীবীগনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্থ দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা হায়খি, চুরূট থকপনা কান্নবা অমত্তা পুরক্তে। মসিনা লায়না কয়া থোকহন্নবগী মচাক ওইহল্লি। মৈখু শীজিন্নবনা লংস কেন্সর য়াওনা লায়না মখল কয়া লাকপা য়াই। মৈখু শীজিন্নবা হিদাক মনা শীজিন্নবা তোক্লসি। মহৈরোয়শিংনা চাংয়েং তৌনিংবদগী মৈখু শীজিন্নবা পাম্নবা য়াই। অদুবু হৈনবী অসি থাদোক্তুনা অফবা লন্মী চৎকদবনি। ঙাকথোকহৌবনা খ্বাইদগী ফৈ হায়বা ৱাফম অসি নীংশিংবা তাই। মহৈরোয়শিং অমদি নহাশিংনা খঙগদবনি। মীওই অমদা লায়না অমা নাবা হৌখ্রবদি লায়না কয়া মথং-মথং লাকপগী চাং ৱাংই। হিদাক মনা শীজিন্নদনা হকচাং ফনা লৈসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা রিছোর্স পার্সন ওইখিবা ডোক্তর কয়ানা টোবেকো এন্দ লংস হেল্থ হায়বা থীমদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এন ঐচ এম মণিপুরগী ষ্টেট মিসন দিরেক্টর ডা. এস মনিকান্তা অমদি সী সী হায়র সেকেন্দরিগী প্রিন্সিপাল এস ইন্দ্রানিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, উশুস স্কুল, খুরাই সাজোর লৈকায়গী মহৈরোয়শিংনা ৱর্ল্ড নো টোবেকো দেগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মরক অসিদা, দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসন সোসাইটি, দিষ্ট্রিক্ট টোবেকো কন্ট্রোল সেল, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা টোবেকো এন্দ লংস হেল্থ হায়বা থীমদা ঙসি বৈরোদান মেক্সয়েল হিন্দী প্রাইমারী এন্দ হায় স্কুলদা ৱর্ল্ড নো টোবেকো দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এদিসনল এস পি (ওপস), এ গনশ্যামনা হায়খি, মালেমগী ওইনা হিদাক মনা শীজিন্নদবা নুমীৎ হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মালেমগী মৈখু শীজিন্নদবা নুমীৎ হায়না তৌরম্লগা ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে ওন্থোরক্লিবা অসি মৈখু খক্তা নত্তনা হিদাক মনাগী পোৎলম কয়ানা হকচাংদা শোকহল্লকপদগীনি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ মিসন্না থৌরম অসি পাঙথোক্লি। হিদাক মনা অসি কংহল্লগা মমাঙঙৈদা মৈতৈ ক্বা চাবদা হাপ্পরম্মী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্ট ডা. কুল্লানা হায়খি, হিদাক মনা শীজিন্নবনা ব্রেনদা ষ্ট্রোক থোকহল্লি। মীৎতা, নাকোংদা ইনফেক্সন থোকহল্লি। ওরেল কেন্সরনচিংবা কয়াসু থোকহল্লি। মৈখু শীজিন্নবনা এজমা, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, হার্ট এটেকনচিংবা থোকহল্লকপা য়াই। কিদনিদসু শোকহল্লি। নুপী ওইবীশিংনা মমা ওইবা ঙমদবা ফাওবা ওইরকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা স্কুলগী অদুগী হেদ মিষ্ট্রেস কে ঐচ সুনিতানা হায়খি, স্কুল, কোলেজশিংগী অকোয়বদা ময়াই কাবা পোৎলম থিংনবা হোৎনবা চঙই। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনা ময়াই কাবা পোৎলমশিং থিংবদা পূক্নিং চঙলক্কনি হায়নসু থাজে হায়নসু মখা তাখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অদুগী অকোয়বদা ময়াই কাবা পোৎলম য়োনবরা হায়না চেক তৌবগী ড্রাইব চথখি। ড্রাইব চথবা অদুদা এন টি সী পিগী ডা. বিতম, এন সী দি সেলগী এপিদেমোলিষ্ট পি বিদ্যা, ফুদ সেফ্টি ওফিসর ৱাই সৈত্যজিৎ, এদিসনল এস পি গনশ্যাম, সী এম ও, ডা. কুল্লা অমদি স্কুলগী ওজাশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

## থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কন্ট্রেকচুয়েল এমপ্লোয়ীশিং জুন ৬ তগী থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেজুয়েল/কন্ট্রেক্ট/এঙ্গেজ ষ্টাফ এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অমদি সেক্রেটরিনা খুৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা কন্ট্রেকচুয়েল এমপ্লোয়ীশিংগী পেগী চয়েৎনবা লৈরিঙৈ তাঞ্জাসিদা ওপন রিক্রুটমেন্ট থোকচিল্লকপগী মতাংদা এম য়ু সী সী ঈ এস এগী ইমর্জেন্সি জেনরেল বোদি মীফম অমা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্তুনা রিজোলুসন কয়া লৌখ্রে। রিজোলুসনশিং অদুগী মনুং চন্না হান্নদগী য়ুনিভর্সিটি অসিদা থবক তৌদুনা লৈরবা কন্ট্রেকচুয়েল এমপ্লোয়ীশিং এবজোর্ব তৌদনা মপান দগী লৌবা য়ারোই। চাদা ১০০ রিজার্ভ থম্বীদুনা হান্নদগী লৈরক্লবা ষ্টাফশিং দি পি সী ফমদুনা লৌশিন্নবা তৌগদবনি। অসুক য়াম্না ৱানা য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক হোৎনদুনা লাকচরগা ঙসিনা ইরায় লায়না অতোপ্পদা পীথোকখিনবা শিল্লিবা থৌরাং এম য়ু সী সী ঈ এস এনা কন্দেম তৌই।

চহীসিগী জুন ৪ দা হেদ এন্দ দিনশিংগী মীফমদা খন্নগদৌরিবা রিজার্ভেসন পার্সন্টেজগী মতাংদা ওজাশিংনা চাদা ১০০ হেন্না লৈজরক্লবা কন্ট্রেকচুয়েল এমপ্লোয়ীশিংদা পীবীনবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা অইবা চেরোল ঙসি হেদ এন্দ দিনশিংদা পীশিনখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি পুন্সিগী অরুবা তানফম ওইবনা চহী অসিগী জুন ৪ অসি এম য়ু সী সী ঈ এস এগী মেম্বর অমসুং দিনশিংগী দিসিজনগী মতুংইন্না চহী অসিগী জুন ৬ তগী কন্ট্রেকচুয়েল এমপ্লোয়ী খুদিংমক্লা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে। য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরিবা মুটা, মুসা, মুসু, মুৱা এসোসিএসন খুদিংমক্লা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা সপোর্ট তৌবীয়ু। চহী অসিগী জুন ৪ দা ৱারেপ অমা লৌদুনা ঐখোয়বু জষ্টিস ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মে দেগী থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস): মে দেগী থৌরমগা মরী লৈননা থা অসিগী ১ দগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা থাবুম অমা চুপ্পা চথরকপা ইন্টরনেসনল লেবরস দে 'মে দে' গী থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা পব্লিক পার্কতা লোইশিনখ্রে।

ওর্গনাইজিং কম্মিটি মে দে থাবুম থৌরম, ওল মণিপুর মেনপৱার অপলিফ্টমেন্ট সেন্টর (এ এম এম য়ু সী) অমসুং লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপ (এ এম এম য়ু সী মশা লোয়শঙ) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা পুন্না খুৎশম্নদুনা শিনখিবা থৌরম অদুদা চেয়রপার্সন নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল এল ইবুঙোনা চীফ গেষ্ট, এ এম এম য়ু সীগী প্রসিদেন্ট কে কামসোননা প্রসিদেন্ট অমদি লৌমী-শিন্মী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন, সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রম, প্রসিদেন্ট মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপ (এম এ কে পি এ এল), বি ও দি মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম এন্দ ৱিভরস এস ভুবোন, মাইনোরিটি সেল এম এ কে পি এ এল ইমা জানো বেগম, সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. আই এস কোন্থৌজম, ভাইস প্রসিদেন্ট এম এ কে পি এ এল ইমা আর কে সনাতোম্বী অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি এম বি ও সী সী দল্লিয়ু (ফেন্দরেসন) এস বিরমনিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱাঙাঙলোয়শিংনা লৌ উবদা ঈকায়নিংঙাই লৈতে। ইশাগী ৱার্ক কলচর চপ চানা ঙাক্লা চৎলবদি মালেম অসি শোয়দনা চাউখৎপা লমদম ওইগনি হায়খি।

## দিক্লারেসন পীশিল্লকপা য়াগনি

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদতা গ্রুপ সী অমসুং দিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্ট কয়াগী রিক্রুটমেন্ট তৌবদা মীৎ উবগী পাঙ্গল ৱাৎলবশিংনা পার্সনল স্ক্রাইবকী খুদোংচাবা লৌবা পান্নবদি দিক্লারেসন থাজিল্লকপা য়াগনি হায়না এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরনা থাদোরকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। দিক্লারেসনগী ফোর্মেট মেনশিল্লগা জুন ৮ ফাওবগী মনুংদা ওফিসতা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়নসু মখা তারি।

## য়ু জি সীদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

এম য়ুগী রিছার্স স্কোলারশিংদা নন-নেট ফেল্লোশিপ পীথোক্তবগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী) গী চেয়রপার্সনদা নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোরম ইন্টরনেসনল সোলিদরিটিনা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়না ফোরম অসিগী মেম্বর কিষননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ইনরোল তৌরিবা রিছার্স স্কোলারশিংদা নন-নেট ফেল্লোশিপ পীথোক্তবা অসি মীৎয়েং চঙবীনবা য়ু জি সীগী চেয়রপার্সনদা মেমোরেন্দম পীশিনবনি। লৈবাক অসিগী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা, রিছার্স স্কোলারশিংদা ফেল্লোশিপ গ্রান্ট পী। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওইনদি ফেল্লোশিপকী শেনফম কুমজা ২০১৭ দগী পীথোক্তনা লাক্লি। নন-নেট ফেল্লোশিপকী মতাংদা এনোমেলি কয়া লৈরে। এম য়ুদা মতম শাংনা নন-নেট ফেল্লোশিপ পীথোক্তবা অসিগী মতাংদা য়েংশিনবীয়ু।

## চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

হ্যুমেন ইনিসিএটিভ মণিপুর (ঐচ আই মণিপুর) গী লেপ্তুনা চথরক্লিবা হ্যুমেনিটেরিয়ন সার্ভিসকী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক নোংব্রংদা লৈবা লিগেল এইদ ক্লিনিকতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মপিথেল দামনা শোকহল্লবা ইমুংশিংগী অঙাং ৩০ মুক্তা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পীখ্রে।

ঐচ আই মণিপুরগী মেম্বরশিংনা চেঙ, হৱাই, আলু, থাউনচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখি। লোয়ননা অঙাংশিং অদুবুসু ঐচ আই মণিপুরগী মেদিকেল টিম ডা. জে াতিন অমদি ডা. জেনিফর অনীনা ফ্রী মেদিকেল চেক অপ তৌদুনা লেম্না হিদাক লাংথকশিংসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা ঐচ আই মণিপুর দিল্লি য়ুনিটকী ৱিমেন কোওর্দিনেটর ময়াংলম্বম দাইনাসু শরুক য়াখি।

ঐচ আই মণিপুরগী কনভিনর অমোম জেনিল খুমননা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসনগী মেম্বরশিংসু থৌরম অদুদা য়াওবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবা অমা ওইনা অৱা-অনা তারবা খুদোংচাদ্রবশিংবু অঙম্বা মতেং পাংমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি ইরৈচাশিংদা হায়জরি। ঐচ আই মণিপুরনসু কাঙলুপ অমদি লাইনিং-লাইশোনগী খেন্নবা থমদনা অৱাবা তারবা ইরৈচাশিংগীদমক্তা অঙম্বা তেংবাং পীনবা শেম-শাদুনা লৈরি। মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

## কুমজা হরাওবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস): খানা চাওবা ইবুধৌ ৱাংব্রেন নুঙ্গৈই অমসুং হুইদ্রোম খুলগী থৌগল্লুপনা শীন্দুনা চহী অসিগী ওইনা কুমজা হরাওবগী থৌরম চহী অসিগী এপ্রিল ২৯ দগী মে ৭ ফাওবা পাঙথোকখ্রে হায়না লূপ অসিগী সেক্রেটরি অথোকপম শামুঙৌনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, কুমজা হরাওরিঙৈ মতমদা ইবুধৌগী মচা-মনাই ওইবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা থৌনিবা ঙমহৌদবশিংগী য়েংলগা অখঙ-অহৈশিংনা তাক্লকপগী মতুংইন্না ইবুধৌ অসি নোঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোক্তনা থা খুদিংগী পুর্ণিমাদা থোঙ হাংদুনা থৌনিজবা য়ানবগী থৌরম থৌগল্লুপনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ফোর্ম লৌরবা য়াগনি

ইম্ফাল, মে ৩১: একাদেমীক সেসন ২০১৯-২০ গী ওইনা বি ভি এস সী এন্দ এ ঐচ দিগ্রী কোর্সকীদমক ভেটিরিনরি কোলেজশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট নোমিনি ওইনা তম্বা পাম্বশিংগীদমক এপ্লিকেসন কৌরি। এপ্লিকেসন ফোর্ম জুন ১ দগী ১৫ ফাওবদা সঞ্জেন্থোংদা লৈবা ভেটিরিনরি দিরেক্টোরেটতগী লুপা ৩০০ পীরগা লৌবা য়াগনি হায়না ভেটিরিনরি দিরেক্টর ঐচ চাওবনা থোকপা নোটিফিকেসন অমনা হায়রি। এপ্লিকেসন ফোর্ম জুন ১০ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা সবমিট তৌবা য়াগনি। ইলিজিবিলিটি হায়র সেকেন্দরি এগজামদা সাইন্সতা চাদা ৫০ দগী হেন্না ফংবা ওইগদবনি। এস টি/এস সী অমদি ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী ওইনা মার্ক চাদা ৪৭.৫ কী ওইগনি হায়নসু নোটিফিকেসন অদুনা মখা তারি।

## লন্মী তৌখায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামগী হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নোংপোক সেকমাই মীয়ামগী য়াম্না মরুওইবা লন্মী অমা ওইরিবা নোংপোক সেকমাইদগী য়াইরিপোক কৈথেল তাবা কিলোমিটর ৮ লোম শাংবা ইন্টর ভিলেজ রোদ অসি শেন্মা হৌরম্লগা ঙসি ফাওবা লোইশিনবীদবগী খোয়শাউনরবা লন্মী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা নোংপোক সেকমাইগী মীয়াম্না জে সী বি শীজিন্নদুনা লন্মী তৌখায়দুনা লন্মী ফাওহনখিদ্রে।

নোংপোক সেকমাই পুলিস আউট পোষ্ট মমাঙগী চীং অনীগী কারক্তা লৈবা লন্মীদা চথখিবা মীয়ামগী লন্মী তৌখায়বগী খোঙজং অদুদা শরুক য়ারম্বা নোংপোক সেকমাই মেজিক ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি নিংথৌজম অশাতোম্বনা ফোঙদোরকপদা, লন্মী অসি শেন্মীনবা হায়দুনা মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্ল া থাজবা পীরক্তুনা হৌখিবা চহী ২০১৮ গী জন্যুৱারী থাদগী লন্মী অসি শেন্মা হৌখিবনি। অদুবু কিলোমিটর ৮ লোম শাংবা লন্মী অসি কিলোমিটর ৩ রোম খক্তমক কোয়লাস থারম্লগা ঙসি ফাওবা মখা তানা শেন্মীদনা লৈখ্রে। মরম অসিনা খোয়শাউনরবা মীয়াম্না ঙসিগী লন্মী থিংবগী পিরেপ অসি লৌরকপনি। লন্মী অসি থিংবনা লমদম অসিগী মরুওইবা মহৈরোয়শিং অমদি মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লে হায়বা খঙই। অদুবু লৈঙাক্লা লন্মী অসি মখা তানা মপুং ফানা শেন্মীদ্রিবা ফাওবা লন্মী থিংবগী খোঙজং চথখিগনি। লোয়ননা লমদম অসিদা সার্ভিস তৌরিবা গাড়ীগী এসোসিএসনশিংনা লন্মী অসি শেমদ্রিবফাওবা সার্ভিস লেপ্পগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়খি।

লন্মী থিংবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী নোংপোক সেকমাই মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি সিনাম মেমচানা ফোঙদোরকপদা, নোংপোক সেকমাই টু য়াইরিপোক কৈথেল তাবা লন্মী অসি নোংপোক সেকমাই মীয়ামগী য়াম্না মরুওইবা লন্মী অমনি। লন্মী শেন্মা লোইশিনবীদবনা লন্মী অসিদা মীরোনবীশিং হোস্পিটাল য়ৌনবা পুরকপদা লমখাংদা অঙাং উনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়া তোয়না থোক্লে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা লৈঙাক অসিনা শেমজিনবীয়ু। লন্মী অসি শেমজিনবা হৌদ্রিবফাওবা লন্মী থিংবগী খোঙজং অসি চঙশিনখিগনি। মসিদা কনাগুম্বা অমত্তগা য়াশিন্নবগী ৱাফম লৈরোই হায়খি।

## রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা ইনক্বারি চথনবা কম্মিসন্দা চেথারগনি : নলিনিকান্তা

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):

লন্নাই ওইনা চলাইরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং অসি সোসল ৱেলফেয়রনা ইনক্বারি চথনবগীদমক হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা হয়েং অইবা চেরোল পীশিল্লগনি হায়না কম্যুনিটি নেটৱার্ক ফোর ইম্পৱারমেন্ট (কোন) গী প্রসিদেন্ট নলিনিকান্তা রাজকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা কোনগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা নলিনিকান্তনা হায়খি, লন্নাই ওইনা চলাইবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর মণিপুরদা ৪৯ গী মথক্তা লৈ। লৈঙাক্কী ওইনা চলাইবা ১৯ লৈ। অনৌবা সর্ভেগী মতুংইন্না দ্রগ শীজিন্নবা মীওই লিশিং ৩৪ গী মথক্তা লৈরি। টেব্লেট চাবা য়াওরগা লিশিং ৫০ গী লৈরমগনি থাজে। লৈঙাক্কী লৈরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা অমুক্তা মী লিশিং ৪ গী কেপাসিটি লৈবা মরম্না ট্রিটমেন্ট পীবা য়াই। প্রাইভেট সেন্টরশিংদি করম্না চলাইরিবগে হায়বসিদি য়েংশিন্দ্রে। মসিনা মরম ওইরগা ফূব্বীবা-চৈবীবা, শিবা ফাওবা য়াওরক্লে। কোননা হায়জরবসু তবীদ্রে। হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা চেরোল অমা পীশিন দুনা সোসল ৱেলফেয়রদা ইনক্বারি চথহন্নবা হোৎনবনি। লন্নাই ওইনা চলাইবা ফৈ। অদুবু কাঙলোন অমগী মখাদা চলাইগদবনি।

য়েংশিন্দ্রবনিনা মীশি-মীনা থোক্লবসু সোসল ৱেলফেয়রনা থৌদাং লৌগদবা য়াওদ্রে। মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস নৎত্রগা ষ্টেটকী ওইবা গাইদলাইন শেমগদবনি। রিহেবিলিটেসনদা মেদিকেল ষ্টাফ য়াওব্রা হায়বা য়েংগদবনি। মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিগা খুৎশম্ন দুনা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে। অদুবু অহোংবা লৈত্রে। দ্রগ চাবা মী থওইনা লৈনবা শিল্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। দ্রগ চাবগী নাম্মাদা শেল তান্নবা থোরক্লবরা হায়বা ৱাহং লাক্লে। দ্রগ চাবা ফারগা মমা-মপাগী অয়াবা য়াওদনা সেন্টরদা থম্বা, মমা-মপানা থল্লোই হায়রগসু থাদোকমল লৌবগী চৎনবী রিহবিলিটেসন সেন্টরদা থোরক্লে হায়বা পাউ ফংলে। লৈঙাক অমসুং সোসল ৱেলফেয়রসনা খঙশিন্নদনা লৈরি।

হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্দা চেথাদুনা হোৎনবা অসিদসু থবক পায়খৎলক্তবা তারবদি অমদি সোসল ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপালনা থবক পায়খৎলক্ত্রবদি কোননা থৌদাং লৌদুনা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি। মরমদি দ্রগ চাবসি লায়েংলগা য়াবা ঙাক্তনি। খুন্নাইনা লৌরিবা থৌদাং অসি ফহন্নবগীদমক্তা মসিগুম্বা কয়াসি ফনবা হোৎনরিবনি হায়বসি কনামক্তনা খঙবীদে, নৈনীবদে। মীবু ফানিংলগা ফাবা, ফূনিংলগা ফূবা, হাৎনিংলগা হাৎপগী ফীভমদা লৈরে।

অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবীদুনা হোৎনবীদ্রবদি কোননা পায়খৎপা হৌরগনি। কোননা থৌদাং লৌননবগীদমক ফিরেপ লৌরকপা হায়বসি লৈঙাক্কী অমদি সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী খোঙথাংগী মতুংইনগনি। হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননসু করম্বা খোঙথাং লৌবগে হায়বদু য়েংলগা লন্নাই চলাইরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংসি কোননা কন্ট্রোল তৌরগনি হায়খি।

Delta Advance School

Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)

Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM

ADMISSION OPEN

Class XI (Science & Arts)

(DAS)

Special Admissions Offer for Limited seats only

2019 COHSEM School Performance

4th Position in Arts

Inspire Awardee in Sc.

100 % Pass in Arts

98% Pass in Sc.

Admission Criteria

| | |
|---|---|
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.

EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIKAI & NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI, IMPHAL WEST

ADMISSION OPENS FOR


2nd FOUNDATION COURSE

CLASS IX & X (CBSE / BOSEM)

CLASSES STARTING FROM – 10th JUNE, 2019

OUR SHINING STARS

Position Holders for HSLC-2019 (BOSEM)



7th Position – W. Ningthem Meitei, S/o. W. Samarjit Meitei & Th. Geeta Chanu

8th Position – U. Aditya Luwang, S/o. U. Geetchandra Singh & L. Anita Devi

11th Position – Haobam Rijando, S/o. H. Nandabi & H. Phajabi


12th Position – M. Nerich, D/o. M. Nabakumar Singh & M. Sunanda Devi

19th Position – H. Aman Singh, S/o. H. Tomba & H. Baby

22nd Position – A. Pooja Sharma, D/o. A. Ibomcha Sharma & Ph. Premlata Devi

23rd Position – Md. Makbun, S/o. Hamidur Rahman & Riyaz Begum

HIGH FLYERS FOR CBSE CLASS-X-2019



91.4 % – R.K. Phalguni, S/o. R.K. Bidhan & R.K. (O) Bidya

90.4 % – Bandana Mutum, D/o. M. Arunkumar & M. Randhoni

85.0 % – Irungbam Thajalembi, D/o. I. Kunja & I. Kunjamani

84.6 % – Nikesh Sapam, S/o. S. Bhogen & S. Sobita

83.0 % – Nancy Keisham, D/o. K. Sanatomba & Binapani M.

- PRINTED STUDY MATERIALS/ PROBABLE SUGGESTIONS
- AVAILABLE SEPARATE BOYS' & GIRLS HOSTEL
- LIMITED SEAT - FIRST COME FIRST SERVE
- COUNSELLING & REMEDIAL CLASSES FOR WEAK STUDENTS
- HOSTEL FOR BOTH BOY & GIRLS
- SPECIAL TEST
- VAN FACILITIES

Subjects offer: Maths, English, Science, Social Sc., M.M., Hr. Maths & Home Science

Our faculties are:
Science - (i) Sir Opendro (ii) Sir John (iii) Sir Narajit
Maths & Hr. Maths - (i) Sir Anil (ii) Sir Subhas (iii) Sir Wenliam (iv) Sir Apoi
Social Science - (i) Sir S. Robin (ii) Madam Romita
English - (i) Sir Sanahal (ii) Sir. Dimbhajit
Meitei Mayek - (i) Sir Chandrakumar (ii) Miss Preety
Home Science - Mem Roxy

CLASS TIMING 4:30 – 7:30 AM (MOR) 4:30 – 7:30 PM (EVE)

PLEASE CONTACT: +91-6009103078 / 9612194500

HL-B/5409/23/5-22/6